**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-06-2025)**

**কোবিদ (এল) ঃ** মনিপুরদা মীওই অহুম নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনরে। মসি থারগা রাজ্য অসিদা কোবিদ পোজিটিব ওইবা মীওই মঙা শুরে।

ষ্টেট সরভিলেন্স ওফিসার, আই.দি.এস.টি. মনিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ১৩ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই অমা পুন্না মীওই ১৪ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম নৌনা পোজিটিব ওইবা থেংনরকখিবনি। মখোয়গী মনুংদা মরিদি হোম আইসোলেসন তৌদুনা লায়েং চথরি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর-চন্বো গোলমৈনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-রাজ্য অসিদা কোবিদ নাইন্তিনগী কেস থেংনবা হৌবতা নত্তনা পোজিটিব ওইবা মীগী মশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা লায়চৎ অসি থেংননবা মীয়ামনা তঙাইফদবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎমিন্নসি।

মরক অসিদা, মনিপুরদা কোবিদ নাইন্তি লাকশিন্নবা রাজ্য সরকারগী হেলথ সাভির্সেস দাইরেক্তোরেটনা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলে। তোঙান তোঙানবা কমিতি ১৯ অমুক নৌনা শেমদোক্তুনা মসিগী থবক পুগদবা ওফিসার অমসুং ষ্টাফশিং খনখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসকী চেরোল অমনা হায়-ষ্টেট টেকি কেল এন্দ এক্সপার্ট এন্দ এদভাইজরি কমিতিবু হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চন্বো গোনমৈনা লুচিংগনি। ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তাকুমারনা কো-চেয়ারমেন ওইরে। বিভাগ অসিগী জোইন্ট দাইরেক্তর-ডা: এস. ইঙোচানা ক্বারেন্টাইন মেনেজমেন্ট কমিতি লুচিংগনি। অদুগা, ডা: এস.

গোপাল সিংহনা সরভিলেন্স অমসুং স্ক্রিনিং কমিতি লুচিংগনি। ষ্টেট কোবিদ কন্ট্রোল রুমনা ডা: রোসন কৈশামনা লুচিংগনি।

টিমশিং অসি য়ামদ্রবদা নোংমদা অমুক অমুক উন্নগনি অমসুং টেকিকেলগী ওইবা ৱাফমশিং ষ্টেট টেকিকেল এক্সপার্ট কমিতিদা পুখৎকনি হায়রি।

**কন্দোল (এল) ঃ** গুজরাটকী অহমেদবাদ ইয়ারপোর্ট মনাক্তা ইয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন কায়বদা মনিপুরদগী কেবিন ক্রু অনি-ঙান্থোই শর্ম্ম কোংব্রাইলাৎপম অমসুং লমনুনথেম সিংশননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংবগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লি।

মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়-ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদা মনিপুর মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না লেপ্তুনা অৱাবদা শরুক য়ারি। হৈথোই শিংথোইরবী নহা ওইরিবী মনিপুর মচা অনি অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু মনিপুরগী মীয়ামনা মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবরতা, এম.এল.এশিং- থোঙাম বিশ্বজিৎ, গোবিনদাস কোন্থোজম, থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্নসু থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

মখোয়না লৈখিদবদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা প্লেন কায়বগী থৌদোক অদু য়ামা লাইবক থিবা থৌদোকনি হায়রি। শ্রী ইবোবীনা হায়-মীওইবগী পুন্সি হায়বসি ঐখোয়গী খুৎতা লৈতে। লৈখিদ্রবী অনিগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা ঙান্থোই অমসুং সিংশননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-মখোয় অনিনা কেবিন ক্রু ওইনা

মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদবা অসিদা মনিপুরগী মীয়ামনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি।

ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মনিপুরনা থাদোরকপা অৱাবা ফোংদোকপগী চেরোল অমদা হায়-লমদম অসিগী লৈহাউদা চাউরকখিবী ইচল অনিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকচরি।

মনিপুরদগী ক্রু মেম্বর অনি য়াওনা ইয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন কায়বদা মীওই ২৪১ লৈখিদবগী থৌদোক অদুদা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি মনিপুর প্রদেসনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি।

চেরোল অমদা দল অসিনা হায়-মনিপুরদগী তুংগী আশা য়ামা লৈরিবী নুপীমচা অনিনা লৈখিদবা অসি মখোয়গী ইমুং মনুংগীতা নত্তনা মনিপুর পুম্বগী ওইনা চাউনা মাংজবনি।

সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু মখোয় অনিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, সদর হিলসনসু লমনুনথেম সিংশননা লৈখিদবা অদুদা অৱাবা ফোংদোক্লি। লুপ অসিনা লৈখিদ্রবীগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি অমসুং মখোয়গীদমক লেপলি হায়না চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

নোনেদা লৈবা ১৯ শুবা অসাম রাইফলসকী সি.ওনা থাদোরকপা অৱাবা ফোংবগী চেরোল অমদা হায়-মীতৈ ফুরুপকী কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্থোই শর্ম্মা অমসুং থাদৌ ফুরুপকী লমনুনথেম সিংশননা কাংলুপকী খেৎনবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমীন্নখি। মখোয়না শান্তি, মরুপ-মপাং ওইবা অমসুং নুংশিনবদা অচেৎপা থাজবা থমদুনা পুন্সিগী অরোইবা মতম ফাওবা পুন্না থবক তৌমীন্নখি।

**হিট (এল) ঃ** মনিপুরদা কুমগী নোং য়ৌরক্তুনা নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা নোং চুবদগী

ঈশিং ঈচাও থোকখ্রবা মতুং নোং হাংখিবদগী শাবগী চাং হেনগৎলক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা ইম্ফাল সহর য়াওনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীয়ামনা কা হেন্না শাবগী অৰাবা ফিভম অমা মায়োকবা হৌরে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্চতগী ফংবা অইং আশাগী পাউদা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসিগী ওইনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৬.৯৪ ওইখি। ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং কাংপোকপীদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৫ গী মথক্তা লৈখি। সেনাপতিদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩, তমেংলোংদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১, উখ্রুল অমসুং তেংনৌপলদা সেলসিয়স দিগ্রী ২৭ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ২৫ গী মথক্তা শাখি হায়রি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে অমসুং ঙমখৈ জিলা জিরিবামদসু শাবগী চাং য়ামা হেনগৎলে। মসিনা মরম ওইদুনা মফম অদুগা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। নোনে জিলাদসু শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৫ গী মথক্তা লৈরে হায়রি।

**তেংবাং (এল) ঃ** এম.কে. গ্রুপ ওফ প্রাইবেট লিমিটেদ কম্পানিজ অমসুং মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিএল ত্রষ্ট, পৌরাবিনা পুন্না খুৎশমদুনা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওদা অৰাবা নংখ্রবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়াগী মপুং ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈরিবা পাউমী খরদা ঙরাংদগী ঙসি ফাওবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

লুপ অনি অসিনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ঈশি ঈচাওগী অৰাবা মায়োকরবসু পাউমীশিংনা চোকথবা লৈতনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্কুনা মীয়ামদা ই-পাউ য়ৌহন্নবা লৌরিবা থৌদাংবু ইকায় খুমবা ওইনা তেংবাংগী পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি। পাউমীশিংদা তেংবাংগী পোৎলম য়েন্থোকপা অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়রি।

এম.কে. গ্রুপ ওফ প্রাইবেট লিমিটেদ কম্পানিগী-কোরৌহনবা

ৱাইখোমনা লুচিংবা কাংবুনা হৈঙাং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ঈচাওনা কা হেন্না শোকহল্লবা মফম অদুদসু হান্ননা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রবনি।

**ডে (এল) ঃ** ৱার্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী থৌরম ঙসি পৌরাবীদা লৈবা জেন পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজ সেল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**কুমওন (এল) ঃ** খামেনলোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ১০ গী অনিশুবা নীংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নুংশুম কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লমলাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. খোঙবানতাবম ইবোমচা অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম.এল.এ. টি.ঐচ. লোকেশ্বর য়াওনা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রিমসকী ব্লড বেঙ্ককা খুৎশমদুনা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মীওই ২৭ না ঈ দান তৌখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক অহমেদবাদ সিভিল হোস্পিতালদা চৎতুনা ইয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন কায়বদা শোক্তুনা লায়েংলিবশিং উন্নখ্রে।

তুংদা, সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অহমেদবাদকী অৱাবা থৌদোক অসিনা লৈবাক অসিবু পুকিং ৱাখল লৈতাহল্লে। শ্রী মোদিনা হায়-ইখঙ খঙহৌদনা অশুক য়াম্বা পুন্সি মাঙখিবা হায়বসি ৱাহৈনা শিংথাবা ঙল্লরোইদবা মওংদা থম্মোয় শোকনিংঙাইনি। প্রধান মন্ত্রিনা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা হৌজিক মফমদুগী হোস্পিতাল অমদা লায়েংদুনা লৈরিবা বিশ্বাস কুমার রামেসকসু উন্নখি। প্লেন কায়ফম অদুদসু চৎতুনা য়েংশিনখি।

প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি য়াওনা অহমেদবাদতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। শ্রী মোদি, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা গুজরাটকী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-বিজয় রুপানিগী ইমুং মনুংনি। অমরোমদা, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মশক খঙলবা মীওই তরুক্কী হকচাং মখোয়গী ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে। অতৈ মশক খঙলবা খরসু পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা মরি-মতাশিংদা শিন্নরগনি।

মরক অসিদা, সিভিল হোস্পিতালগী চীফ মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: রাকেশ যোসিনা হায়-হৌজিক হৌজিক হোস্পিতাল অদুদা মীওই ৩২ লায়েংলি। য়ামা হেন্না মৈ চাকপা ডাক্তর খরা নত্তনা অতৈ পুমমক্কী ফিভম চিংননিংঙাই ওইদ্রে। মহাকা হায়-অশোকপশিং অদু অথুবা মতমদা ফগৎলকবা হোস্পিতাল অদুদা তঙাইফদবা থৌরাং পুমমক লৌখৎলি।

**যোগঃ** যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ হায়বা হীরমদা কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রালয়না শিনদুনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা যোগাগী মালেম থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মীফম অসি ১১ শুবা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ যোগাগী মাংওইননা পাঙথোক্কদবনি।

মীফম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মমিং লৈরবা যোগা ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ৱেলনেস কম্যুনিতি লিশিং অমা হেনবনা ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াগনি। ভারিন, আমেরিকা, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং সাউথ কোরিয়াদগী মশক নাইরবা যোগা এক্সপার্ট কয়ামরুমসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি।

**পোষ্ট** ঃ মহৈ মশিং, কলা সংস্কৃতি, খুনাই অমসুং ধর্ম্মগী লাইরিকশিং অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফংহন্নবা অখন্নবা পোষ্টেল সার্ভিস গ্যান পোষ্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনা হৌদোকখ্রে। অনৌবা থৌরাং অসি নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি

(এন.ই.পি)গী পান্দমগা চুননা শেম্বনি।

থৌরাং অসিনা মহে মশিং তম্বদা চংবা নমথোক্লবা লাইরিকশিং মনুং হুঞ্জিনবা অথাপ্পা মফমশিং অমসুং খুঙ্গংগী লম য়াওনা ভারত শিন থুংবদা শেল ইচং চংদনা ফংহন্দুনা মহে তম্বদা অহাংবা লৈরিবা অদু মেনশিন্নবা পান্দম থল্লি। গ্যান পোষ্টকী খুদোংচাবা অসি পোষ্ট ওফিস খুদিংমক্তা ফংগনি। লাইরিক থাদোক থাজিনগী খ্বাইদগী হোংবা মমলনা গ্রাম ৩০০ গী পেকেটতা লুপা ২০ অদুগা খ্বাইদগী য়াম্বনা কিলোগ্রাম ৫ ফাওবগী পেকেটতা লুপা ১০০ ওইগনি। মসিদা টেক্স য়াওদ্রি। ত্রেক্কিং তৌবগী খুদোংচাবসু লৈগনি। মসিগী অকুপ্পা মরোল মীয়ামা মনাক নকপা পোষ্ট ওফিস নত্রগা ইন্দিয়া পোষ্টকী ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি।

**সিবিআই** ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিতি (নেহু), শিল্লোংগী মশক নাইবা একাদমিক অমা য়াওনা মীওই অনি সি.বি.আইনা ফারে। সপ্লাই কন্ট্রেক্ট পীনবা অচা অরম ওইনা লুপা লাখ ৩ লিশিং ৪৩ শেনগং ওইনা লৌরিঙৈদা মহাকপু ফাখিবনি। নিরমালেন্দু সাহ নেহুগী দিন ওফ লাইফ সাইন্সেস অমসুং জলোজিগী প্রোফেসার ওইবনি। মহাক্কা লোয়ননা গুৱাহাতিগী বেলতোলাদগী লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওই প্রঞ্জাল শর্ম্মসু ফাখি। গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিতিগী গেষ্ট হাউসতা ষ্টিং ওপরেসন চথবদা মখোয় ফাখিবনি।

**ৱুশু ঃ** ৩৪ শুবা সেনিয়ার নেসনেল ৱুশু মেন এন্দ ৱিমেন চেম্পিয়নসিপ, হয়েংদগী রাজস্থানদগী জয়পুরদা লৈবা সৱাই মান সিংহ ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুরদগী শান্নরোই ২৮ লোম শরুক য়াগনি।

**হোকি ঃ** এফ.আই.ঐচ. হোকি প্রো-লিগকী ঙরাং নেদরলেন্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারত অরজেন্টিনাগী মখুৎতা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিহৌরে।

মেটচ অসিগী অহৌবা মিনিট মরি শুবদা ভারতকী জ্গরাজ সিংহনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু, ৯ শুবা মিনিটতা অরজেন্টিনানা পাঞ্জল অমা চনশিনদুনা দ্রো চৎখি। মেটচ মিনিট ৪৯ শুবদা অরজেন্টিনাগী দোমিনিনা পাঞ্জল অমা চনশিনদুনা ভারতপু মায়থিবা পীখিবনি।

**স্পোর্টস ঃ** ভারতকী সুত্তর-এস.কে. সামরানা জরমনিগী ম্যুনিকতা চঞ্থরিবা আই.এস.এস.এফ ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ গী নুপীগী মিতর ৫০ গী থ্রি পোজিসন রাইফলদা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে। মহাকা ফাইনেলদা পোইন্ট ৪৫৩.১ কাপ্পুনা অহুমসুবা তাখি। নোরৱেগী জিনেৎ হেক দ্যুইষ্টৈদনা সনাগী অমসুং স্বিটজরলেন্দগী ইমেলি জেগিনা লুপা তকমান ফংখি।